# মণিপুরদা ইক্বেষ্টরিয়ান - ১

—লৈশাংথেম অজিৎ—



মণিপুর ইক্বেষ্টরিয়ান চেম্পিয়ন্সিপ মপাল কাংজৈবুংদা মণিপুর ইক্বেষ্টরিয়ান এসোসিয়েসন্না শীন্দুনা মথং থাদগী পাঙথোক্লগনি। কুমজা ১৯৯৯ দা লমদম অসিদা পাঙথোকখিবা নেসনল গেমসতা মশান্না অসি পাঙথোকখিবদা লমদম অসিগী ভাবকশিংনা থৱায় তানা য়েংবা ফংখি অমদি মশান্না অসিগী মশক নীংথিনা খঙবা হৌখি। মণিপুর ইক্বেষ্টরিয়ান এসোসিয়েসনগী সেক্রেটরিগী ফম পুরিবা নিংথৌখোংজম ইবুঙোচৌবী সিংহনা থৱায় য়াওনা এসোসিয়েসন অসিবু লমজিংদুনা মশান্না অসিবু মীয়ামদা হেন্না পামহন্নবা হোৎনরিবা অসি থাগৎনিংঙাইনি। ইনাক খুনবা লৈবাক্তা মশান্না অসি মীশিং য়াম্না শান্নবা ঙম্মী, লায়রবা লৈবাকশিংদদি মশান্না অসিবু পামজবা অমদি হৈথোই শিংথোইবা শান্নরোয়শিং লৈরবসু মশক থোক্না শান্নবা ঙমদে মরমদি শগোলগী মমল য়াম্না ৱাঙই, শগোল লোয়বদা শেল য়াম্না চঙই, শগোল য়েংশিন্নবা, শেন্ননবা হৈশিংবা মীওই কয়া অমুক দরকার লৈ। তৌইগুম্বসুং অসিগুম্বা পলশিং অসি লাম্থোক্লগা মালেমগী শান্নরোয়শিংগা লম্বা তৌনগে হায়না চোংথোরক্লিবা লমদম অসিগী শান্নরোয়শিং অসি পূক্নিং থৌগৎপীগদবনি অমদি সরকারনা মসিগীদমক অখন্নবা মীৎয়েং চঙবীদুনা শান্নরোয়শিংগী দরকার লৈবা মচাকশিং ফংহনবদা মতেং চাউনা পীবীগদবনি।

ইক্বেষ্টরিয়ানগী থৌরম অসি ওলিম্পিক গেমসতা অহানবা ওইনা কুমজা ১৯১২ দা ষ্টোকহোলমদা পাঙথোকখিবা ওলিম্পিক গেমসতা য়াওহনখি। মদুদা থ্রি-দে-ইভেন্ট (three-day-event) কৌবা নুমীৎ হুম্নী চথুবা থৌরম অমা খক্তমক য়াওখিবদা স্বিদেনগী এক্সেল নোরদলেন্দরনা মকোক ওইখি অমদি থৌরম অসিদি মিলিটরি ওফিসরগী ওইনা অখন্নবা থৌরমনি। মিলিটরি ওইরবসু ওফিসর নৎত্রবদি য়াদে। কুমজা ১৯৪৮ দা অনীশুবা লাঞ্জাও হেক লোয়বগা অহানবা ওইনা ওলেম্পিক গেমস লন্দন সহরদা পাঙথোক্লম্মী মদুদা স্বিদেনগী টিমদা মিলিটরি ওফিসর নত্তবা সার্জেন্ট (Sergent) নৎত্রগা হভিল্ডার গেহনাল পরসন কৌবা অমা য়াওহনখি। কম্পিটিসন চথুরিঙৈদা ইন্টরনেসনল ইক্বেষ্টরিয়ান ফেদরেসনগী মকোক ওইরিবা সেক্রেটরি মিলিটরিগী থাক ৱাংবা ওফিসর ফ্রান্স মচা কামদেন্ট হেক্তরনা মহাক হেক উবদা নহাক ওফিসর নত্তে, নহাক্না উপলিবা তুপী অদু সর্জ্ঞনগীনি, সর্জ্ঞন্না উপকদবনি হায়না লাউরম্মী। স্বিদেননা থৌরম অদুদা মকোক ওইদুনা সনাগী মেদল ফংখি। তৌইগুম্বসুং থা নিপালগী মতুংদা ওফিসর নত্তবা সিফাই অমা টিমগী মেম্বর ওইহল্লম্বগী সনাগী মেদল অদু হন্দোকহনখি। অনীশুবা তাখিবা ফ্রান্সতা শিন্নখি। মতুং তারকপা গেমশিংদদি ননকমিসন ওফিসর, সিফাই মচা, মীচমশিংসু থৌরম অসিদা শরুক য়াবা য়াহনখি। মথংগী ওলিম্পিক গেমস ১৯৫৬ তা মেলবোর্নদা পাঙথোকখিবদা হেনরি সেন্ট অমসুং লিস হাতেলনা হৌখিবা ওলিম্পিক্তা তৌখিবগুম্না অহানবা অমসুং অনীশুবা পোজিসন ফংখি। থৌরম অসিদা সনাগী মেদল ফংবা ঙমখিবী অহানবা নুপীদি নোংপোক জর্ম্মনিগী লিসেলোফ লিনসেনহোফনি। মহাক্না ১৯৭২ গী মুনিক ওলিম্পিক্তা সোভিয়েট লৈবাক হৌজিক্না রসিয়াগী য়েলেনা পেতুসকোভানা অনীশুবা পোজিসন তাহনখি। রসিয়া নুপী য়েলেনা পেতুসকোভা মোস্কো য়ুনিভর্সিটিগী বাইওলোজিগী প্রোফেসরনি।

চহী ৩২ গী মতুংদা এথেন্সতা পাঙথোকখিবা ওলিম্পিক গেমগী ইক্বেষ্টরিয়ানগী ইন্দিভিজুয়েল জম্পিংগী থৌরমদা অয়ারলেন্দগী (Ireland) চহী ২৪ শুরবা কিয়ন ও’ কোন্নোর (Cian O' Connor) না সনাগী মেদল ফংখি। তৌইগুম্বসুং মহাক্কী শগোল অদু ‘দোপ’ টেষ্ট তৌবদা শা অদুগী হক্কী ঈশিংদা আইন্না থিংবা, বেন তৌবা হিদাক য়াওরমদুনা ফাখি। মদুদা ও’ কোন্নোর অমসুং মহাক্কী ভেটরিনরি ডোক্তরনা হায়খিবদি হৌখিবা জুলাইদা মখোয়গী ৱাটরফোর্দ ক্রেষ্টেল কৌবা শগোল অদু ওলিম্পিক পাঙথোক্কদবা চয়োল মঙা ৱাৎলিঙৈদা মখোঙ শোকখিবদগী ফগৎনবা হিদাক অমা পীজখিবনি মদু শগোলগী হক্কী ঈশিং লৌবদা য়াওরকপনি।

ইন্টরনেসনল ইক্বেষ্টরিয়ান ফেদরেসন্না কুমজা ২০০৪ গী ওক্টোবর ২১ দা "B" সেম্পল অদু পেরিসকী লেবোরেটোরিদা টেষ্ট তৌনবা থাখিবদা পাখুম পীরকখিদে। পুলিসনা ইভেষ্টিগেসন তৌবদা পেরিসতা থাখিবা হক্কী ঈশিং য়াওবা "B" সেম্পলগী লিক্কী অদু থিবা ফংখিদে, কনাগুম্বা অমনা লেবোরেটোরি অদুগী থবক তৌবা ষ্টাফকী মী শাজিন্নরগা সহি তৌদুনা লিক্লি অদু য়াওবা পেকেজ অদু লৌখি হায়বা খঙলকখি। নবেম্বগী তাং ১ দা অয়ারলেন্দ ইক্বেষ্টরিয়ান ফেদরেসনগী হেদ ক্বার্টরস অদুদগী কিয়ন ও’ কোন্নরগী শগোলগা মরী লৈনবা চে-চাং পুম্বা হুরানখি। তৌইগুম্বসুং শগোল অদুদগী লৌখিবা “ঈ” Blood কী সেম্পলদি পেরিসতা লৈরমখি। “ঈ” অদু ন্যু য়োর্ককী লেবোরেটোরিদা খুলায় পায়বশিংনা ঙাক শেন্দুনা চাংয়েং তৌবদা শগোল অদু আইন্না থিংবা হিদাক চারে, দোপিং তৌরে হায়বা খঙখি। ও’ কোন্নোরগী সনাগী মেদল অদু হন্দোকখি। কুমজা ১৯৪৮ গী ওলিম্পিক অদু হেক লোয়খিবগা থৌরম অসিদা অহোংবা পুরক্তুনা সিফাই ওফিসরখক্তা নত্তনা ফম কাদবা সিফাই মচাশিং, সিফাই নত্তবা সিভিলগী শান্নরোয়শিং অমদি নুপী ফাওবা ইক্বেষ্টরিয়ানগী থৌরমদা শরুক য়াহনবা য়াখি। মরম অদুনা মথংগী ওলিম্পিক গেমস হেলশিনকিদা কুমজা ১৯৫২ দা পাঙথোকখিবা মতমদা ইক্বেষ্টরিয়ানগী থৌরমদা নুপী মরি শরুক য়াখি, থৌরম অসিদা নুপীগী তোঙানবা থৌরম লৈতে, নুপীগা নুপাগা লমবা তৌনগদবনি। নুপীশিং অসিগী মরক্তা দেনমার্ককী লীশা হর্তাল কৌবী অমা য়াওরি। মহাক পোলিওনা নারুবদগী খুকউ মখাদা পঙথদুনা চৈশু য়াওদ্রবদি চৎপা ঙমদবী নুপীনি। মহাক্না গেমস অসিদা ইক্বেষ্টরিয়ানগী থৌরমদা অনীশুবা তাদুনা লুপাগী মেদল ফংখিদুনা থৌনা ফবী হোৎনবা কনবী নুপী অমা ওইনা মালেম পুম্বনা ঈকায় খুম্নখিরম্মী। কুমজা ১৯৪৪ দা মশাগী চহী ২৩ শুরকপদা মীরোল্লিবী লীশা-হর্তাল চহী অদুগী সেপ্টেম্বর থাদা পোলিও নারক্তুনা মশা পুম্বা পংথরম্মী। মহাক হান্নগী ফীভমদা তারক্লবা হন্না হন্না হোৎনদুনা শাজেল কয়া অমুক তৌখি। মহাক্না অহানবদা মপাম্বোম, মথংদা মফৈগলগী মশলশিং অদু তপ্না তপ্না কনখৎহল্লম্মী অমদি মতমগী মতুংইন্না মচানুপী অমসু পোকখি। থা নিপালগী মতুংদা মহাক চৈশু পায়রগা চৎপা খরা খরা ঙম্লকপদগী মমৈথংদা শগোল তোংখৎপা ঙমখি। লীশা-হর্তালনা হনবা লৈতনা হন্না হন্না হোৎনদুনা তপ্না তপ্না চহী অহুমগী মনুংদা স্কান্দিনাভিয়ান (Scandinavian) রাইদিং চেম্পিয়ন্সিপতা শরুক য়াদুনা অনীশুবা মনা ফংখি, মসিনা মথৌনা হাপখি। মহাক্কী মশলশিং অদু মহৌশাগুম্না কনখৎলবসু মখুঁউ মখাগী মশলশিং অদুদি ফগৎলকপা ঙমদবদগী শগোল তোংখৎপা অমদি কুমথবদা মী অমগী মতেং লৌই। ওলিম্পিক অসিদা মহাকপু মায়থিবা পীখিবা স্বিদেনগী হেনরী-সেয়ন্ট সায়রনা মেদল পীবগী থৌরমদা মহাকপু মখুৎ পায়দুনা ভিক্টেরি ষ্টেন্দ মথক্তা চিংখৎপীখিবা অদু অউবা ভাবকশিংনা মপুক্নিংদা থুক-লাউবা অমা পোকখি অমদি ওলিম্পিজমগী মায় পাকপগী অচৌবা খুদম অমা ওইখি।

# রাস লীলাগী ৱাথোকসিনা এম য়ু ৱাথোক্কী মহুৎ শিনগদৌরিব্রা?

-ডা. ঙাঙবম শান্তিকুমার মীতৈ-





**সেন্ত্রেল** মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ৱাথোক থা অহুম হেন্না মহৈ-মশীন তম্বা য়াদনা লৈরম্বদগী কোর্টনা খূৎ থিংজিনবদগী উচিন-নাচিন্না লোইশিনখিবদা ঙাইরি অদুগা হৌজিক্না কংলাদা রাস লীলা হোল শানবগী ৱাথোক অসিনা এম য়ুগী ৱাথোক মখা চথুহনগদৌরিব্রা। থমজরিবা ৱাফমসি হৌজিক হৌজিক পাল্লিবা লৈঙাক্কী মফমদনি। ৱাথোক ওইহনগে, ওইহল্লোই হায়বসি লৈঙাক্কী থৌদাংদা য়াম্না লৈরে। থোইদোক্না য়াম্না শুগাইনা হায়রুদ্রবসু, নৈনরুদ্রবসু মীয়াম পূম্নমক্না কংলা হায়রিবা মফম অসি করম্বা মফমনো হায়বসিমদি লোইনা খঙনরবা ৱাফমনি। কংলা অসি চহী লিশীং অনী/অহুমগী ওইবা ইরমদম কংলৈপাক্তা পাল্লকখিবা নিংথৌ ৭০ হেনবগী খুভম ওইবতা নত্তনা য়াম্না শেংলবা লাইফমলেন অমসু ওইদুনা লাক্লি ঙসি ফাওবদা। লাইবক থীবনা শান্তিদাস গোসাইগী মখূৎতা, বৃটিশকী মখূৎতা অমদি অসাম রাইফলসকী মখূৎতা তাখিবদগী ঐখোয়গী শেংলবা, তাঙলবা, তোপ-তোপ্লবা মালেমগীদা অনীশুনা লৈত্রবা শেংলবা লাইফমলেন অসিবু মাঙ-তাকনবা অমদি মাংথোক্তুনা থম্বীরম্বা অমদি শীজিন্নরম্বদগী কুমজা ২০০৪দা মীয়ামদা শিন্নরকখিবনি সেন্ত্রেল লৈঙাক্না। অসুম্না চহী কয়া কয়া ঐখোয়গী ওইজরিবা লাইফমলেন অসিবু ইনীং তৌনা চঙজদুনা ইকায়খুম্নজবা অমদি খুরুমজবা ফাওবা ঙমদনা চহী কয়া কয়া লাকখিবদুদগী নীংখা তম্না খুরুমজবগী অমদি ইকায়খুম্নবা উৎচবগী তাঞ্জা ফংলদুনা অমদি মীয়াম পূম্নমক পুৱারীদা থোকখিবা অচুম অরান ময়াম অমা খঙলক্তুনা ইরমদমগী হৌরকফমগী ওইবা পুৱারী, ইনাৎ, ইরোল অমদি অশেংবা লাইনীং লাইশোনবু কন্ননবা কন্না হোৎনরিবা তাঙ্ককসিদা, মরুওইনা সলাই তরেৎকী মনুংদা লৈরিবা মৈতৈ/মীতৈশিংগী অমদি সনামহী লাইনীংবু চৎচবা ফুরুপ/কাঙলূপকীদি অদুক্কী মতিক লূম্না, শেংনা লৌরিবা মফম অসিদা হেক শাদবা য়াদবদৌনা রাস লীলা শান্ননবা হোল অমা শাগনি হায়না তৌরক্লিবা অসিদি সলাই তরেৎকী মীয়াম্বু শিংনবা ওইনা থোক্কনি অমদি মসিনা অফবা চাওখৎপা করিমত্তা পুরকপা ঙল্লোই হায়বসি পাল্লিবা লৈঙাকসিনা য়াম্না ৱাখল খন্থবিরগা ৱারেপ লৌবীবা মথৌ তাই।

কংলা হায়রিবা মফম অসি লাইফমলেন অমা ওইবতা নত্তনা মফম অসি ঐখোয়গী পুৱারী হেক হৌরকপদগী ঙসি ফাওবদা লোসনদুনা লাক্লবা মফম অমনি অমসুং মফম অসিদা পুৱারীগা লোইনদুনা লাকখিবা অরিবা পোৎলমশিং অমদি লাইফমলেনশিং ময়াম অমা লৈরিবনি। অসিগুম্বা শেংলবা, তাঙলবা, অমত্তা ঙাইরবা মফম অসিবু করিগী জগোয়-ঈশৈগী ওইবা পোৎলমশিং শাজিনগদৌরিবনো, মদুসু ঐখোয়গী ইপা-ইপূনা ঐখোয়গীদমকনি হায়না থম্বীরম্বা ইনাৎ অমদি লমদমসিগী হৌরকফমগী ওইবা লাইনীং লাইশোনগা মরী লৈনবা পোৎলমসু নত্তবা। মতাংসিদা হংজনীংলিবা ৱাফমদি - মফমসিদা রাস লীলা হোল শাদ্রবদি অতোপ্পা মফমদদি শাবা হেক য়াদ্রব্রা অসিনি। মসিদা শাদবা য়াদে হায়রগদি মদুগী নুংগী ওইবা অরোনবা লালোং খরা লৈরে হায়না লৌবা তাবনি - লালোং অদুদি সনামহীজমবু য়ানশিন্দুনা, শেমজিন্দুনা মাঙহন্নবা অমদি মুত্থৎনবা হোৎনবা মমাঙদা শান্তিদাস গোসাইনা তৌরম্বগুম। মহাক্না ফনা কন্না হোৎনখিবা লৈরবসু ঙসিদি অমুক মতোন চোঙদুনা হৌরক্লি ঐখোয়গী অশেংবা লাইনীং লাইশোন। অসিগুল্লবা য়াম্না কাল্লবা তাঙ্কক হায়বদি, ইনাৎ, ইরোল অমদি ইনাৎ লাইনীংবু হিংনবা, য়োকখৎনবা কন্না হোৎনরিবা তাঙ্কক অসিদা মীয়ামগী থম্মোয়দা শেংলে হায়না থল্লিবা কংলা লাইফমলেন অসিদা জগোয়-ঈশৈগী, ঈরাংগী, নুংশি-নুংওনগী ওইবা রাস লীলাগী হোল শাগনি হায়না শাবা হৌরক্লিবসিবু পাল্লিবা লৈঙাকসিনা মীয়াম্না খঙলরোই হায়না খনবীরিব্রা নৎত্রগা ঙম্মী হায়দুনা মীওই কাঙলূপ খরগী খন্দুনা শাগে খল্লিব্রা হায়না হংদবা ঙমদে। অদুবু ঙসিগী মীৎকুপ্তা পাউ ফাওনবা ঙল্লবা দিজিটেলগী মতম অমদি মীয়ামগী রাইটপু নমহৎতুনা থম্বা য়াদ্রবা মতমসিদদি মীয়াম্বু খঙহন্দনা নৎত্রগা নম্ফুদা তৌবগী মতমদো হৌখ্রে মীয়াম্বু নমথাক তৌবা অমদি নমথবা ঙমগনি হায়না খনবদি লানগনি হায়না থমজগে লৈঙাক্তা।

লাইনীং লাইশোনগী ৱাসি ঙাইহাক থৈদোক্তুনা থল্লবসু কংলা হায়রিবা মফম অসি ঐখোয়গী পুৱারীগা মরী লৈনবা য়াম্না তাঙলবা, শেংলবা পোৎলম কয়া অমদি মফমশিং লৈরিবনি। মসিবু লীদুনা থম্বনা ঐখোয়গী হৌরকফম অমদি পুৱারী তাক্কদৌরিবনি। অসিগুম্বা তাঙলবা মফম অসিদা লৈরিবা পোৎলমশিং অসিবু শেমগৎপা-শেমজিনবদি য়াই অদুবু ইনৌ নৌবা পুৱারীগা নৎত্রগা মফমশিংগা মরী শুকলৈ লৈনদবা পোৎ অমা থমজিনগে, শাজিনগে হায়বদি অরিবা পোৎলমশিং অসিবু অমদি মফমশিং অসিবু ইকায়খুম্নদে অমদি থৌশাদে হায়বনি। লাইনীংগীবু ওইগেরা, কলচরগীবু ওইগেরা নৎত্রগা আর্কিওলোজিকেলগী মায়কৈদগীবু য়েংলবসু, মায়কৈদি অমদগী হেক য়েংবদা মফমসিদা রাস লীলা হোল অমা শাজিনবা হায়বসি য়াম্না চুমদবা খোঙথাং অমা ওইগনি। চহী চা কয়াগী মমাঙদা থোকখিবা পুয়া মৈ থাখিবা, ঐখোয়দা নম্ফু-হাফুদা অতোপ্পা নাৎ চৎহনখিবা, ওৎ নৈখিবা, হাৎখিবা, তান্থোকখিবা অসিনচিংবা লাইনীংগী ওইবা পূক্নিংদা পেন্দবা লৈখিবদো ঙসিসু অদুম লৈরিবসিনি। সনামহী লাইনংগী রিলিজিয়স সেন্টিমেন্টপু শোক্তনবা অমদি শেংলবা, তাঙলবা মফম অসিবু ঙাক শেন্দুনা থম্বা হায়বসি মীচম মীয়াম খক্তগী নত্তে, লৈঙাক্কীসু ওইফম থোক্তব্রা। মরম অদুনা কংলা লাইফমলেন্দা লৈঙাক্না মতম চানা রাস লীলা হোল শাবা থিংহৌবনা ফগনি। অদুদি নত্তদুনা হান্না পাল্লম্বা লৈঙাক্না হৌদোক্লম্বনি হায়না তাইশিন্দুনা রাস লীলা মসিদা শাদ য়াদে হায়দুনা শাজিল্লবদি মদুদগী থোরক্কদবা ফত্তবা খুদিংমক হৌজিক পাল্লিবা লৈঙাকসিনা মদুগী মহয় লৌগদবনি। রাস লীলা হোল কংলাদা শাদ্রবদি গৌরিয় অমদি হিন্দু লাইনীং চৎচবা কাঙলূপ্তা করি অকায়বা লৈবগে, করিসু লৈতে। অদুগা অখঙ অহৈশিংগী ৱাখল্লোন অমদি মতকী মতুং ইন্না কংলাদা রাস লীলা শান্নখিবগী ৱাফমসু লৈতে। শান্নখিবমক লৈরবসু মদু মীয়ামগী মায়োক্তা তৌখিবনি হায়না লৌবা তাই। অমরোমদা হায়রগসু রাস লীলা হায়বসিদি ঙরাং নহান্তগী ওইবা অতোপ্পা মফমদগী পুশিল্লকখিবা লাইনীং অমগী শরুকনি ঐখোয়গী ইপা ইপূনা থম্বীরম্বা চহী লিশীং কয়াদগী লোইনরক্লবা লাইনীং সনামহীগী শরুক অমসু ওইদে।

মসি হায় হায়দুনা গৌরিয় অমদি হিন্দু লাইনীংবু চৎচবা কাঙলূপ্পু চৎকনু, রাস লীলা হোল শাগনু, য়েংগনু হায়বসু নত্তে। মখোয়দসু ফবা অদুগা অতোপ্পদসু শোক্তবা মফম কয়া অমা লৈরি ইরমদম কংলৈপাকসিদা। করিগীদমক অতোপ্পা মফম চাবা অমা য়েংদুনা শানবা হোৎনদ্রিবনো। মফম য়াম্না লৈখ্রে।

মমাঙদা পানখিবা লৈঙাক্না লৌথরম্বা থবকনি হায়না পাল্লিবা বি জে পি লৈঙাকসিগী ৱাঙাঙলোই অমনা কন্না য়েৎলি। মখোয়না হৌদোক্লম্বনি ঐখোয়না লোইশিনগনি হায়বগী মওংদা। হান্নগী লৈঙাক্না শাগনি হায়না তৌরম্লবসু লাল্লি, চুমদে, মীয়াম্না য়াদে হায়রবদি করিগী মখা চথুগদৌরিবনো, শাগদৌরিবনো। হান্নগী লৈঙাক্কী মতুং ইনবনা চুম্বরা নৎত্রগা মীয়ামগী খোল্লাউবুনা চুম্বরা হায়বসি পাল্লিবা লৈঙাকসিনা মুন্না খন্থবিদুনা শেংলবা কংলা লাইফমলেন অসিদা রাস লীলাগী হোল অসি শাবিগনু, মফম অমদা হোংদোকপীয়ু হায়না থমজগে। শাবীগে হায়রসু, শারোইবু হায়রসু লৈঙাক্না ঙম্মী।

মালেমগী মফম কয়াদা য়েংবিয়ু খুন্নাই অদুগী, লৈপাক অদুগী হৌরকফমগী ওইবা মখোয় মখোয়গী পুৱারীগা লোয়নদুনা লাকখিবা অরিবা মফমশিং, পোৎলমশিং অমদি শেংলে হায়না খন্নরিবা, লৌনরিবা মফমশিং নীংথিনা নৌনা অরিবা শক্তম কায়হন্দনা শেমজিন শাজিন্দুনা মখোয়গী পুৱারীবু, মখোয়গী ওইবা তোঙানবা, তোপ তোপ্পা শক্তম্বু, মীৎকুপ অমদা মালেমগী মীয়ামদা চাউথোকচনবা হোৎনরি অমদি মসিতা নত্তনা লম্মীৎ তুমিৎ কোয়বগী শেন্দাল লম্বীদা ফাওবা চিংশিল্লি। অদুগা ঐখোয়গী ইরমদম অসিদনা তাঙলবা, তোপ তোপ্লবা মতিক-ময়াই, শক্তম অসিবু হৌজিক্কানগী জগোয়-ঈশৈগী ওইবা পোৎলমশিং শাজিন্দুনা, হাপচিন্দুনা মশাগী অশেংবা শক্তম অদুবু মমি লাংনবা হোৎনরি।

হিন্দু চৎকেরা, খৃষ্টান চৎকেরা, স্লাম চৎকেরা, বুধিজম চৎকেরা, সনামহী লাইনীং চৎকেরা চৎনীংবা অমা চৎচবদা কনাদসু অথিংবা থমদে দেমোক্রেসি অমদি সেক্যুলরিজম ওইবা লৈপাক অমগী মনুংদা লৈবনা। পূন্না হিংমিন্নগে, লৈমিন্নগে হায়রবদি ঐখোয় খুদিংমক্না তোঙান তোঙানবা লাইনীং চৎপা মীওইশিংগী পূক্নিং অমদি থম্মোয় শোক্তনবা হোৎনগদবনি, হায়বদি রিলিজিয়স সেন্টিমেন্টপু ইকায়খুম্ননা চৎপা মথৌ তাই। রিলিজিয়স সেন্টিমেন্ট হায়বসিদি অদুক্কী মতিক কনবা ইথিল অমনি। মসিদি ইশানা য়ানা থাদোকপা নত্তনা কিহন্দুনা নম্ফুদা লৌথোকপদি য়ারোই। মরম অসিননি চহী কয়া ওৎ নৈদুনা থম্বীখিবা সনামহী ঙসি অমুক হিঙ্গৎলক্লিবা। মসিমক অতোপ্পা লাইনীংদসু অদুম ওইগনি। মসিনা তাকপদি ঐখোয় লাইনীং-লাইশোন অমত্তা ওইনা চৎসি হায়বদি য়ারোই অদুবু পূন্না হিংমিন্নগে হায়রবদি ঐখোয় মশেল অমনা অমগী লাইনীংবু ইকায়খুম্নবা উৎপা মথৌ য়াম্না তাই। সনামহী চৎচবা কাঙলূপকা পূন্না হিংমিন্নসি হায়রবদি কাঙলূপ অসিনা খ্বাইদগী হেন্না শেংনা লৌজরিবা কংলা লাইফমলেন অসিদা জগোয়-ঈশৈগী ওইবা অদুগুম্বা রাস লীলা হোল শাজিনবদি মখোয়গী রিলিজিয়স সেন্টিমেন্টতা শোকহনবা ওইনা থোক্কনি। অদুগা অমরোমদনা কংলা মক্তদা রাস লীলা শাদ্রবদি হিন্দু অমদি গৌরিয় চৎচবা কাঙলূপকী রিলিজিয়স সেন্টিন্টৈতি করিসু শোক্তব্রা হায়না থমজগে। রাস লীলা হোল অতোপ্পা মফম চাবা মফম অমদা শাবিয়ু। মদুদা সনামহী চৎচবা কাঙলূপ্পা থিংগদবা করিসু লৈতে।

নাকল অমরোমদা অমুক হায়রগনা, করিগুম্বা হিন্দু অমদি গৌরিয়াগী শেংলে হায়না লাৎচরিবা গোবিন্দজিগী লাইশঙদা নৎত্রগা হোলদা সনামহী লাইনীংবু চৎচবা কাঙলূপকী গৌরিয়াসু নত্তবা অদুগা হিন্দুসু নত্তবা মীতৈগী লাই হরাউবগী শঙলেন অমা শাগে হায়রুরদি মখোয়সু য়ারক্কনি খন্দে, মখোয় মশামক্না ময়ূম ময়ূমদা হিন্দু অমা ওইনা, গৌরিয়া অমা ওইনা সনামহীবু খরুমজরবসু। অসিনি ঐখোয়না অতোপ্পগী রিলিজিয়স সেন্টিমেন্ট য়েংদুনা চৎকদবা হিংমিন্নসি, লৈমন্নসি হায়রবদি। মদুনা পূম্নমক্কী য়াইফবা ওইগনি, পূন্না হিংমিন্নবা ঙমগনি।

লোইশিল্লকপদা, ইরমদম কংলৈপাকপু ঈংনা তপ্না, নুংশি চান্ননা লৈসি হায়রবদি ঐখোয় খুদিংমক্কী অতোপ্পা লাইনীং চৎপা মীওইশিংগী রিলিজিয়স সেন্টিমেন্টপু ইকায় খুম্ননা চৎপা তমসি। মদু তৌসি হায়রবদি মৈতৈ/মীতৈশিংগী শেংলবা চহী লিশীং কয়াদগী কোন্নদুনা লাক্লবা কংলা লাইফমলেন্দা রাস লীলাগী হোল শাবিদনবা পাল্লিবা লৈঙাক্না মীয়ামগী খোল্লাউবু তুংওইনবীদনা রাস লীলা হোল অসি কংলা মনুংদা শাবীগনু, অতোপ্পা মফম অমদা শাবিয়ু। অনীশুবদা, লৈঙাক্না হান্না পাল্লম্বা লৈঙাক্না শিল্লম্বা থবকনি হায়দুনা লৈথোক্তুনা হান্নগী লৈঙাক্না লৌথরম্বা থবকনি হায়দুনা মফমসিদা অদুম শাগনি হায়নসু খনবীগনু, লেপ্পীগনু। হান্নগী লৈঙাক্না তৌরম্বা খুদিংমক হৌজিক পাল্লিবা লৈঙাক্না ইন্দ-য়াদে হায়বা য়াথং লৈতবনি। ফত্তে, চুমদে, লাল্লি হায়রবদি হান্নগী ওইসনু, হৌজিক্কীসু ওইসনু মীয়াম্না পামদ্রবদি শাবিগনু। অরোইবদা, নুংশি চান্ননা লৈমিন্নসি, হিংমিন্নসি হায়রবদি লাইনীং অমনা লাইনীং অমবু ইকায়খুম্নবা উৎপা তমগদবনি। ঐখোয় হিংমিন্নদবা শুকয়া হেক য়ারোই হায়বসি কাউফদে। রাস লীলা হোল কংলাদগী লৌথোকখিবা হায়বসি মৈতৈ/মীতৈ সনামহী লাইনীংবু চৎচবা কাঙলূপ্পু ইকায়খুম্নবা উৎপনি কাউফদে। মসিনা পূম্নমক্কী য়াইফবা পুরক্কনি।